**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরগী রাজ্য সভা সিট ১ গী মীখল পাঙথোকবা নোতিফিকেসন থোক্লে। থা অসিগী ১৮ দা ভোৎ থাদনগনি।

২) মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা হায়রি- মেরিৎতা যুম্ফম ওইরগা থবক লৌবা হায়বসি সরকারগী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌশিলনি।

৩) শ্রী মুকেশ সিংহনা ঙসিদগী মণিপুরগী দাইরেক্তের জেনেরেল ওফ পুলিস ওইনা থবক পুরে।

৪) মণিপুরদা ঙসি ৱার্ল্ড নো তোবেকো ডে ২০২৬ পাঙথোকখি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা ম্যান্মারগী রাষ্ট্রপতি উ মিন ওং লাইংগা ঙসি নিউ দিল্লিদা ৱারী শান্নখ্রে।

------

মীখল (এল)ঃ মণিপুরগী রাজ্য সভা সিট ১ গী মীখল পাঙথোকবা নোতিফিকেসন থোক্লে।

মীখল অসিগী রিটর্নিং ওফিসারসু ওইরিবা মণিপুর বিধান সভাগী সেক্রেতরি রোহিত শাপমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মীখল অসিগী

মীরেপচে থা অসিগী ৮ ফাওবদা রিটর্নিং ওফিসার নত্রগা এসিষ্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসার এল. ধনাশ্যাম সিংহদা ছুতি নত্তনবা নুমিৎশিংগী অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবদা পীশিনবা য়াগনি। মথং নুমিৎ জন্ ৯ দা মণিপুর বিধান সভাগী সেক্রেতরিয়েটতা স্ক্রুতিনি পাঙথোক্কনি। মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা মতমনা জন্ ১১ নি। থা অসিগী ১৮ গী অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং মরি ফাওবা ভোৎ থাদনগনি।

রাজ্য সভাগী এম.পি. ওইরিবা মহরাজ লৈশেম্বা সনাজাউবগী থবক পায়বগী মতম থা অসিগী ২১ দা লোইরগনি।

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- মেরিৎতা য়ুম্ফম ওইরগা থবক লৌবা হায়বসি সরকারগী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌশিলনি। ঙসি মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা এম.পি.এস.সিগী চেয়ারপার্সন এস.এস. সব্রাগা উন্নরবা তুংদা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- পাব্লিক সার্ভিসতা মতিক চাবা কেন্দিদেটশিংতবু খন্নবা অমকপা লৈতবা সেলেক্সন প্রোসেস অমা লৈহন্নবা অচেৎপা ফিরেপ লৈ। সরকারগী পান্দমদি তশেং তশেংনা মেরিৎ লৈবা মীয়ামগী সেবা তৌবদা শেঙ্গা থুমজা তৌরোইবা অমদি পুকচেল শেংবা কেন্দিদেটশিং খনবনি। মসিনা সরকারগী থবক থৌরমশিং নিংথিনা অমসুং নিয়ম চুমা পাঙথোকপদা চাউনা মতেং ওইগনি হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

মুকেশ (এল)ঃ শ্রী মুকেশ সিংহনা ঙসিদগী মণিপুরগী দাইরেক্তের জেনেরেল ওফ পুলিস ওইনা থবক পুরে। মহাকা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা পুলিস হেদক্বাটরসতা থুংলবদা মণিপুর পুলিসনা গার্দ ওফ ওর্নর পীদুনা ইকায় খুমখি।

মুকেশ সিংহনা মণিপুরগী দাইরেক্তর জেনেরেল ওফ পুলিস ওইনা থবক পুবা হৌখিবদা গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা নুংঙাইবা ফোংদোক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী গোবিনদাসনা হায়- রাজ্য অসিবু সেবা তৌনবা অমসুং রাজ্য অসিগী মীয়াম্বু অশোই অঙাম থোকহন্দনবা মহাকা

লৌরিবা দাইত্ব অসি মপুং ফানা পাঙথোরক্কনি হায়না থাজে।

পনবা য়াই, চহী অহুম মণিপুরগী দি.জি.পি ওইরম্লবা রাজিব সিংহ মহাক্কী থবক পায়বগী মতম ঙরাং লোইখ্রে। মহাকা ফম অসিদগী পোথাখিবগী থৌরম অমদা শ্রী সিংহনা মণিপুরগী মীয়াম, মীয়ামগী মীহুৎশিং, সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন অমসুং চীং অমদি তম্পাক্কী মীয়ামগী লুচিংবশিংবু মহাক্কী মতমদা মীয়ামা মতেং পীরকখিবগাদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। মণিপুরগী অনৌবা দি.জি.পিনা মখা তানা মীয়ামগী খন্দুনা হেন্না ফবা থবকশিং তৌরক্কনি হায়বগী থাজবসু মহাকা ফোংদোকখি।

ডে (এল)ঃ মণিপুরদা ঙসি ৱাৰ্ল্ড নো তোবেকো ডে ২০২৬ পাঙথোকখি। রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস অমসুং ষ্টেট হেলথ সোসাইতি (এন.ঐচ.এম) মণিপুরনা আই.এম.এ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকা খুশমদুনা নুমিৎ অসি লমফেলপাৎতা লৈবা আই.এম.এ হোলদা পাঙথোকখি। নুমিৎ পালন অসিগী থিমনা অন-মাস্কিং দি আপীল-কাউন্টরিং নিকোতিন এন্দ তোবেকো এদিক্সন হায়বসিনি।

থৌরম অদুদা হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডাঃ এন. হেমন্তকুমার সিংহ, ষ্টেট মিসন দিরেক্তর নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুর ডাঃ এম. দিনেশ সিংহ, ফেমিলি ৱেলফ্যার সার্ভিসেসকী দিরেক্তর ডাঃ এন. বিনো সিংহ অমসুং আই.এম.এ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ডাঃ সিমসন সারিও অমদি সেক্রেতরি ডাঃ এ.কে. ইবোহল সিংহ য়াওখি। থৌরম অদুদা হিদাক মনা শিজিন্নবা তোকবগী ৱাশকসু লৌখি।

এসআইআর (এল)ঃ মণিপুরদা স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজনগা মরী লৈননা ককচিং জিলাগী বিধান সভা কেন্দ্র মরি- ৱাবগাই, ককচিং, হিয়াংলম অমসুং শুগনুগী অপুনবা পোল্লিং ষ্টেসন ১৪৩ গী ভোতরশিং য়ুম য়ুমদা বুথ লেবেল ওফিসার (বি.এল.ও)শিংনা চৎপা হৌরে। তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংনা খল্লকপা বুথ লেবেল এজেন্ট (বি.এল.এ)শিংগা লোয়ননা

বি.এল.ওশিংনা য়ুম য়ুমদা চংদুনা ইলেক্তোরেল রোলদা মীং হাপচিনবা, লৌথোকপা, অরান অহুই শেমদোক শেমজিন তৌবগী থবক হৌজিক চখুরি। মসিদগী দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল মথং থাগী ৫ দা ফোংগনি।

জিলা অদুগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার অঞ্জেলিনা রেনিতানা হায়- ইলেক্তোরেল রোলদা মীং হাপচিনবা, লৌথোকপা অমদি অরান অহুই শেমদোক শেমজিন তৌরিবা অসিদা চিংনবা লৈরবদি হেল্প লাইন নম্বর- ১৯৫০ নত্রগা ৮৯৭৪১৩০৪৭৬ তা টেলিফোন তৌরকপা য়াগনি নত্রগা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারগী ওফিসতা লাক্লগা তান্নরবা য়াগনি। ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোল নবেম্বর ৬ তা ফোংগনি।

কাংপোকপী জিলাগী ওইনসু বুথ লেবেল ওফিসারশিংনা জিলা অদুগী বিধান সভা কেন্দ্রশিং কাংপোকপী, সাইকুল অমদি সাইতুগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী বি.এল.ওশিংনা য়ুম য়ুম চংদুনা ইনুমরেসন দ্রাইভ চখুবা হৌরে। দ্রাইভ অসিদা বুথ লেবেল ওফিসার ১৭৬ না মাগী মাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী ভোতরশিংগী য়ুমদা চংদুনা মীং হাপচিনবা, লৌথোকপা অমসুং শেমদোক শেমজিনগী থবক চখুগনি।

ককচিং (এল)ঃ ডাঃ য়ুমাম রাধেশ্যাম এম.এল.এনা হায়রি- ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা হিয়াংলম বিধান সভা কেন্দ্রগী লম্বী থোং, অনা লায়েংশঙ য়াওনা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং কয়া খুমাং য়াংনা চংশিন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

এম.এল.এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী নৌনা শাবা লাংমৈদোং সোসিয়েল ৱেলফ্যার ক্লবকী বিল্ডিং শঙ্গাবগী থৌরমদা এম.এল.এনা হায়- লাংমৈদোংদা লৈরিবা হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসিদা শোথহৌরবা ইমুংশিংগী মহৈরোই নুপা অমদি নুপী ৫০-৫০ লেমা মহৈ তম্লিবা অসিগী লৈননবা হোষ্টেল শাবগী থবক লোইশিল্লক্লে। মসিগী মথক্তা লাংমৈদোং প্রাইমারি হেলথ সেন্তরগী বিল্ডিংসু অথুবা মতমদা শাবা হৌরগনি হায়না এম.এল.এনা মখা তানা ফোংদোকখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে ২০২৬ কা মরী লৈননা মোইরাং খুনৌদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা উ চারাশিং লেমা য়েন্থোকখ্রে। বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং খুনৌদা লৈবা ওইনাম খাগেন্বা কৌবা অহল ওইরবা মীওই অমনা লন্নাই মীওই য়াওনা ক্লব অমদি সংস্থান ১৬ তা উহৈ পানবা উ মখল ১১ গী উ চারা লিশিং ১৬ য়েন্থোকবা থবক থৌরম ঙসিদগী হৌরে। থৌরম অদুদা তোংব্রম রোবিন্দ্রো এম.এল.এ অমসুং ফোরেষ্ট অমসুং হোর্তিকলচর বিভাগকী ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

ওফ সিজন (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা লৈবা তাকমু এক্সপরিমেন্টে ফিস ফার্ম থা অহুমগী ওইনা ওফ সিজন লাউথোক্লে। বিষ্ণুপুর জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ফিসরি ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ঙসিদগী হৌরগা ওগষ্ট ৩১ ফাওবা চৎনগদৌরিবা ওফ সিজন মনুংদা তকমু এক্সপরিমেন্টে ফিস ফার্ম অমদি হুবিদাক সাইটতা ঙা ফাবা য়ারোই। হায়রিবা মতম অসিদা ঙা ফানবা লাইসেন্স পীরোই, হান্না ওফ সিজন মনুং য়াওনা পীথোকখিবা ঙা ফাবগী লাইসেন্স খুদিংমক ওফ সিজন মনুংদা চৎনরোই।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা নম্বোলগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং অমদি তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী ভিলেজ চীফশিংগা উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। কাংলুপ অমগা কাংলুপ অমগা নুংশি চান্নবা হেনগৎহন্নবগীদমক ৱারী শান্নবগী তঙাইফদবা লৈবা অদু মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোংদোকখি।

বিষ্ণুপুর জিলাদসু আইমোল, ৱাইনেম অমসুং গুংতে চিরু ভিলেজশিংগী লুচিংবা ১৬ কা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শান্নখি। সোসিয়েল মিদিয়াদা লান্না পাউ শন্দোকপা থাজবীদনবা অমসুং নুংশি চান্ননা হিংমিন্ননবগী ৱাফম মীফম অদুদা খন্নখি।

অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ৱার্ল্ড নো তোবেকো ডেগী থৌরম ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী মনুং চন্না হিদাক মনা

শিজিন্নবনা হকচাংদা মাংজবা কয়াগী মতাংদা নীংথিনা খঙহনখি। হিদাক মনা শিজিন্নদবা লমদম অমা ওইহল্লশি হায়বা ৱাখল্লোনদা লৈকাই লৈকাইগী অমদি সি.এস.ওশিংদা পাউজেল পীবা য়াবা মচাকশিং য়েন্থোকখি।

অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা চান্দেল জিলাগী খুঙ্গং খরদা টি.বি. লায়নাগী মতাংদা নিংথিনা ভাব তাহনবগী থৌরম অমসুং হেলথ চ্যেকঅপকী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। টি.বি. মুক্ত অভিয়ান কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা চথখিবা থৌরম অদুদা খুঙ্গং অনিগী খুঞ্জা ৭০ রোমা শরুক য়াখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা ম্যান্মারগী রাষ্ট্রপতি উ মিন ওং লাইংগা ঙসি নিউ দিল্লিদা ৱারী শান্নখ্রে। ৱারী শান্নবা অদুদা মপুং ওইনা লৈবাক অনিগী ইতিহাস অমসুং সভেত্যাগী ওইবা মরী হেন্না চেশিনহন্নবা খন্নখি। সেক্যুরিতি অমসুং কন্নেক্তিভিতি য়াওনা ভারতকা ম্যান্মারগা লৈনরিবা মরী পুমমকসু ৱারী শান্নবা অদুদা য়াওখি।

লুচিংবা অনিনা ৱারী শান্নখ্রবা মতুংদা নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ফোরেন সেক্রেতরি বিক্রম মিস্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ মোদিগা ম্যান্মারগী রাষ্ট্রপতিগা লৈবাক অনিগী লৈনরিবা মরী পুমমক ৱারী শান্নদুনা খন্নখ্রে। ৱারী শান্নবা অদুদা লল্লোন ঈতিক অমসুং শেল থুমগী মরী, ঙাকশেল অমসুং সেক্যুরিতি অমদি বোর্দর মেনেজমেন্ট অমসুং লমদমসিগী ফিভম খন্নখি। ম্যান্মারগী রাষ্ট্রপতিনা মখোয়গী লৈবাক অদু ভারতকী মায়োক্তা শিজিন্নবা য়াহল্লোই হায়না অমুক হন্না ফোংদোকখি হায়রি।

ম্যান্মারগী রাষ্ট্রপতি অসি নুমিৎ মঙানিগী ভারত খোঙচৎতা থাংজ নুমিৎতা বিহারগী গায়াদা থুংলবনি। মহাক্কা কেবিনেট মন্ত্রিশিং, মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অমসুং লল্লোন ঈতিক্কী লুচিংবশিং য়াওবা অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাংবু অমা লোয়নরি।

শিবরাজ ঃ কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না লৈবাক শিনবা থুংনা চথগদবা খেৎ বচাও অভিয়ান কেম্পেন ঙসি হৌদোকখ্রে। থা অমা চুপা

চখুগদবা কেম্পেন অসি মধ্য প্রদেশকী রাইসেন জিলাগী মনুং চন্না লৈবা রমসিয়া খুঙ্গংদা হৌদোকখি। কেম্পেন অসিগী মরুওইবা পান্দমদি লৌফমশিং ঙাক শেন্দুনা থম্বা অমদি লৌমীশিংবু বৈগ্যানিক ওইবা লৌউ পথাপ পায়খৎপদা হেন্না থৱায় য়াওহন্নবনি।

থৌরম অদুদা লৌমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী চৌহান্না হায়- লৌমীশিংনা লৌফম লৌফমশিংগী লৈহাও মাংহন্দনবা হোৎনগদবনি। য়ারিবা মখে রাসায়নগী হার শিজিন্নরোইদবনি। থা অমা চুপা চখুগদৌরিবা কেম্পেন অসিদা এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিতিশিং, ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ এগ্রিকলচরেল রিছার্স, কৃষি বিগ্যান কেন্দ্র অমদি খনগৎলবা মীওইশিংনা লৌমীশিংদা খঙহনবগী থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি। লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌবা, সোইল হেলথ কার্দ য়েন্থোকপা, ঈশিং য়োকশিনবনচিংবা কয়া লৌমীশিংদা তাকপীগনি। কেম্পেন অসিগী মনুংদা লৌউ শিংউগী সরকারনা পায়খৎপা স্কিম কয়াগী খুদোংচাবসু লৌমীশিংদা ফংহনগনি।

বেঙ্গল ঃ নোংচুপ বেঙ্গলগী মন্ত্রি মন্দল অনৌবা মন্ত্রি ৩৫ হাপচিনদুনা ঙসি চাউথোকখ্রে। কোলকাতাগী লোক ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাজ্যপাল আর.এন. রবিনা অনৌবা মন্ত্রিশিং অদুবু থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি।

অনৌবা মন্ত্রিশিং অদু রাজ্যগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদগীনি অমসুং অহানবা ওইনা মন্ত্রি ওইরকপা কয়া য়াওরি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি সুবেন্দু আধিকারি অমসুং রাজনীতিগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়া য়াওখি। মন্ত্রিশিং অসিনা পায়গদবা ফম কোন্না লাউথোক্কনি।

জল শক্তি ঃ কেন্দ্রগী জল শক্তি মন্ত্রি সি.আর. পাতিল অমসুং সাইন্স অমদি টেকে ালোজি মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা ঙসি নিউ দিল্লিদা ঈশিংগী মরমদা রিছার্স অমসুং দিভলপমেন্টকী জাতি থাক্কী ৱার্কসোপ অমা পুন্না হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী পাতিলনা হায়- ৱার্কসোপ অসিনা ঈশিং তাঙবা

কোকহন্নবগী মতাংদা কুপা খন্নগনি।

থৌরম অদ্দা জল শক্তি মন্ত্রালয়গা ইসরোগা ৱাটর রিছোর্স এসেসমেন্ট, মোনিটরিং অমসুং মেনেজমেন্টকী মতাংদা সেটেলাইট অমদি অফবা টেকোলোজি শিজিন্নবগী এম.ও.য়ু অমসু সহি তৌনখি।

নাগালেন্দ ঃ নাগালেন্দ সরকারনা রাজ্য অদুদা তোবেকো ভেন্দর লাইসেন্সিং রুলস হৌদোক্কুনা অমসুং মদু রাজ্য শিন থুংবদা চৎনহন্দুনা হিদাকমনা থিংনবগী খোঙজং হেন্না কনখৎহনগদৌরি। ঙসি কোহিমাদা রাজ্য থাক্কী ৱার্ল্ড নো তোবেকো ডে ২০২৬ পাঙথোকপগী থৌরমদা রাজ্যগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বালগী সেক্রেতরি এস. তাইনিউনা হায়- হৌখিবা শেনবা চহিদা মহৈ তম্ফমশিংগী অকোইবদা লৈবা তোবেকো ফ্রি জোনদা অথিংবা অসি থুগাইবা মীওই ৪০০ রোম ফাইন তৌখি।

-হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কাং ঃ ২৬ শুবা অরাম্বম সোমোরেন্দ্র নিংশিং কুমওন লিগ কম নোক আউট ওপন কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মরাম্বা হিয়াংলম কেন্দ্রনা ভগবাতি ৱাবগাই কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১৯-৭ তা থোইখ্রে।

ক্রিকেটঃ মরিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা রুল মৈত্রমনা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলবু ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা সি.দি.সি.সি শগোলবন্দ শলাম লৈকাইনা এস.সি.সি.সিবু রন ১৪৭ তা থোইখি অমদি পি.টি.আর.ই পাৎশোই পার্ট ফোরনা অল অমিন লিলোংবু রন ১১০ দা থোইখি।

**এথলেতিক্স ঃ** বেঙ্কোক্তা ঙরাং লোইশিনখিবা ২২ শুবা এসিয়ানা অন্দর ত্বেন্তি এথলেতিক্স চেম্পিয়নসিপতা ভারতনা সনাগী তকমান ১০ য়াওনা পুন্না তকমান ১৯ ফংলকপদা শান্নরোইশিংবু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মায় পাকপা অসিনা নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংদা অচৌবা ইনোৎ অমা পীরে।

------